www.sanaleibak.in
SANALEIBAK
সনালৈবাক
PROGRESSIVE JOURNALISM
Volume No: 50 Issue: 295 | IMPHAL, TUESDAY, OCTOBER 06, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪-২৫ লৈবাকপোকপা, লাংবনগী ২৬ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

An Investor Awareness Initiative by
SEBI
भारतीय प्रतिभूति और विनिमय बोर्ड
Securities and Exchange Board of India

পুরা ইন্দিয়া
ইনভেষ্টিং কো সমজেগা
ওর সহী তরীকে জানেগা

ইনভেষ্ট তৌদ্রিঙৈদা খঙউ | রিগুলেটেদ ইনভেষ্টমেন্ট প্রদক্ট খল্লু
ঙন্না হৌ ইনভেষ্ট তৌদুনা লৈয়ু | ইনভেষ্টমেন্ট ফ্রাউদশিংদগী চেকশিল্লু

সমজ সে
investing
simple



CBC 15204/13/0110/2627

ম্যুচুয়েল ফন্দশিং | ষ্টোকশিং, আর ই আই টিশিং | বোন্দশিং | কোমোদিটিশিং

য়েংউ investor.sebi.gov.in/ssis
SEBI Saa₹thi এপ দাউন্দলোদ তৌ

পার্টনরশিংঃ AMFI | NSE INVESTOR PROTECTION FUND TRUST | BSE Investors Protection Fund | MCX METAL & ENERGY Trade with Trust MCX INVESTOR PROTECTION FUND | CDSL INVESTOR PROTECTION FUND TRUST | NSDL INVESTOR PROTECTION FUND TRUST | NISM National Institute of Securities Markets A Capacity Building Initiative of SEBI

www.sanaleibak.in

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 14, 923
22 Carat/g : ₹ 13,675
1 Kg Silver : ₹ 2,28,000
10 Gram Silver : ₹ 2,220
WEATHER: Scattered Thunderstorms
Temperature 27/18°C
Sunrise: 05:06 AM
Sunset : 04:58 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Page 5
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 295 | IMPHAL, TUESDAY, OCTOBER 06, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং ৩৪২৪-২৫ লৈবাকপোকপা, লাংবনগী ২৬ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্কী পুন্সিগী মীৎকুপ খুদিংমক নুংঙাইথোকউ, মরমদি মীৎকুপশিংদু অমুক হল্লক্লরোইদৌবনি

## ন্যু চেক্কোন্দা য়ুম মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ন্যু চেক্কোন্দা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা খঙহৌদনা য়ুম অমা মৈ চাকখ্রে। মণিপুর ফায়র সার্ভিসনা মতম চানা মৈ চাক্লে হায়বা পাউ ফংবদগী ফায়র সার্ভিসকী ৱাটর টেন্দর ৩ খুদক্তা চঙশিন্দুনা মৈ অদু কনখি। মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা ইমুংগী ...মখা লমায় ৬তা...

## কেম্পেইন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ খোঙনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্স দিপার্টমেন্ট অমদি নেসনেল মেদিস্নেল প্লান্ট বোর্দ (এন এম পি বি), মিনিষ্ট্রি ওফ আয়ুসকা খুৎশন্নরগা 'সাতাৱারি' মণিপুরদা 'নুঙ্গাৱৈ' হায়না খঙনবা পান্থী অসিগী মেদিস্নেল কম্পোনেন্ট অমদি ন্যুত্রিসন ওইনা শীজিন্ননবা কান্ননবা কয়াগী মতাংদা পাঙথোক্কদবা কেম্পেইন প্রোগ্রাম ঙসি য়ুনিভর্সিটি অসিদা ...মখা লমায় ৬তা...

## ধনেশ্বর মীশিগী মতাংদা ৱাকৎ মীফম চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৩০দা মশা মথন্তা হু থক্কুনা শীজখিবা পাউনম ধনেশ্বরগী মীশিগী মরুমদা লৈরিবা অতোপ্পশিং থীদোক্তুনা নুমিৎ ৪নিগী মনুংদা মীয়াম খঙনা পুথোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়না জে এফ সি ওন অননেচরেল দেথ ওফ পাউনম ধনেশ্বরগী মায়কৈদগী চেকশিন ৱারোল ...মখা লমায় ৬তা...

## মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ লভ মণিপুর ফাউন্দেসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা সোর্ট ফিল্ম অমদি রিলস কনটেষ্ট ২০২৬কী মকোক মথং তারবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে।

খা পোৎশংবমদা লৈবা সঙাই রিজোর্টতা পাঙথোকপা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগী লোয়নবী য়ুম্নাম জয়বালা অমদি চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর শমুরাইলাৎপম কৃষ্ণনানন্দ ...মখা লমায় ৬তা...

## লোইৱেদনা

হন্দক্তী মওং তাদৌ মান্দে, চোংথোকহৌবনা ফদৌ মাল্লিবু



অদুদি চোংলকফমদুদা অমুক চোংশিনবা তারেদনা কৈদৌরুনি

## হেক্তা হায়জিনবা

### তান্নসি তান্নসি

মালহনবা তান্নসি
লৈবাক নীংবা শাবা তান্নসি
লৈবাক্কী খনবা শাবা তান্নসি
কোন্সেং শাবা তান্নসি
ওইদবা ঙাঙবা তান্নসি
ৱাজাও ঙাঙবা তান্নসি
মীয়াম অপঙবা শিবা তান্নসি
ইকাই খঙদবা তান্নসি
দিল্লি নপ্পা তান্নসি
লনাইগী খনবা তান্নসি
লন-থুম লেপ্পা তান্নসি
নুপী লোনবা তান্নসি
তাৎ পাৎ তৌবা তান্নসি
খদ্রক মদ্রক তৌবা তান্নসি
লৈবাক নীংবা শাবা তান্নসি
মালহনবা তান্নসি

## আই দি পি য়াওনা বেনিফিসরিশিংদা ক্রোর ২৪.৬২ হেনবা শেনফম য়েন্থোকখ্রে

# মণিপুরদা থোকখিবা পামদবা থৌদোক্না চীং ১সুং তমগী লাঞ্জদ্রবা কয়া অৱাফমদা তাহনবনিঃ খেমচান্দ



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী স্পিসিয়েল ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্স স্কিম অমসুং এম বি ও সি দব্লীউ দব্লীউ বিগী মখাদা আই দি পি য়াওনা অপূনবা বেনিফিসরি ২৬,৩৯৮তা অপূনবা শেনফম ২৪,৬২,১৭,৫০০ দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর তৌদুনা য়েন্থোকখ্রে।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী থোকখিবা পামদবা থৌদোক্না মরাল লৈজদ্রবা চীং অমসুং তমগী ময়ামদা অৱাবা মায়োক্লহনবনি। আই দি পিশিং ময়ুম হঞ্জিলহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহী ২৫ শুরকপগা ইরোইননা থাবুম অমা চুপ্পা চথুরকপা সেবা সংকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ আদর কনষ্ট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দনা শীন্দুনা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা আই দি পি য়াওনা লেবর কার্দ পায়বা বেনিফিসরিশিংদা শেনফমশিং অসি য়েন্থোকখিবনি।

থৌরম অদুদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংগী মতেং ওইনা অপূনবা বেনিফিসরি ২,৫৩১দা অপূনবা শেনফম ১,৪২,০৫,০০০, এক্সিদেন্টেল দেথকী ইমিদিয়েট এসিষ্টেন্স ওইনা বেনিফিসরি ৮দা অপূনবা শেনফম ১৯,০০,০০০, নেচরেল দেথ বেনিফিটকী বেনিফিসরি ১৯৪দা অপূনবা শেনফম ৫৮,২০,০০০ অদুগা লেবর কার্দ পায়বা বেনিফিসরি ২৩,৬৬৫দা মহৈ মশিং তম্বগী মতেং ওইনা অপূনবা শেনফম ২২,৪৬,২২,৫০০ য়েন্থোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়, মণিপুরদা থোকখিবা পামদবা থৌদোক অসিনা মরাল লৈজদ্রবা চীং তম অনীমক্কী মীচম মীয়ামদা অৱাবা তাহনবনি। মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিন্দুনা নুংঙাইনা লৈবা পামদবা মীওই অমত্তা লৈতে। অসুম্না হৌজিক হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই দি পিশিংসু চপ মান্ননা ময়ুমদা হঞ্জিনবা পাম্মী। ইরাং থোকখ্রবা মতুং হৌজিক খরমখে শাফরক্কুনা চঙবা য়াবা মফমশিং চঙদুনা লৈবা হৌখ্রে। মখা তানা চঙহন্নবসু লৈঙাক অসিনা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৪দা শেল্লকখিবা অনৌবা ...মখা লমায় ৬তা...

## সি ই ও মণিপুরগী ওফিসতা থোমজিল্লগনিঃ ইন্দিয়া ব্লোক

# কাংলোন চুন্না মীখল পাঙথোক্ত্রবদি অওনবা পুরকপা ওইথোক্লোইঃ মেঘচন্দ্র

**'মঙাদং কারবসু লৈঙাক শেমগনি হায়বসিদি হুরানবগী থৌওংনি'**



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার গ্যানেশ কুমার ফম থাদোক্কদবনি হায়না ইন্দিয়াগী মফম শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনবগী শরুক অমা ওইনা অথুবা মতমদা চীফ ইলেক্সন ওফিসার (সি ই ও) মণিপুরগী ওফিসতা থোমজিন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওপোজিসন ইন্দিয়া ব্লোক (মণিপুর)গী মায়কৈদগী অকনা ৱাফম থল্লক্লি।

কাংলোন চুন্না মীখল পাঙথোক্ত্রবদি মণিপুরদা অওনবা পুরকপা ওইথোক্লোই। মীরেপ মঙাদং ভোট কারবসু লৈঙাক শেমগনি হায়বা বি জে পিগী ৱাখল্লোল অসিদি হুরানবগী থৌওংনি হায়না সি এল পি লিদরসু ওইরিবা কোংগ্রেসকী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া ব্লোক (মণিপুর)দা য়াওরিবা ইন্দিয়ান নেসনেল কোংগ্রেস, সি পি আই-এম, আর এস পি, এ আই এফ বি, এ আই টি সি, সি পি এম, এস সেনা, এন সি পি অমদি সিব সেনা য়ু বি টিনচিংবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভাবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

পাউগী মীফম অদুদা কে মেঘচন্দ্রনা হায়, কাংলোন চুন্না মীখল পাঙথোক্ত্রবদি অওনবা অহোংবা মণিপুর পুরকপা হায়বসি ওইথোক্লোই। হৌখিবা মীখলশিংদা অরানবা থৌওং কয়া চৎখদুনা বি জে পিনা ভোট হুরানবগী থৌওং চৎখিবা মীয়ান্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মণিপুরগী হন্দক পাঙথোক্লবা থৌরাং লিবা মীখল কাংলোন চুন্না মীখল অমা ওইহন্নবা পূন্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নবা মরু ওই। বি জে পিনা লুচিংবা নেসনেল দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্স (এন দি এ) লৈঙাক্না লৈবাক অসিদা কন্সটিট্যুসন থুগায়বা থৌওং কয়া চথুদুনা লৈরি। লৈবাক অসিগী লৈরিবা ইলেক্সন কম্মিসন অসিসু মবুকচেল শেংনা থবক তৌদ্রে হায়দুনা মীয়ান্না খোল্লাও লাওরক্লি। মরম অদুনা ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইবা মীখল পাঙথোক্কুনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন ...মখা লমায় ৬তা...

## লমলক্কী শা-উচেক কনবদা মীয়ামগী থৌদাং চঙইঃ অনুরাগ



ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ লমলক্কী শা-উচেকশিং কনবদা মীয়ামগী থৌদাং চঙই হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী পি সি সি এফ এন্দ ঐচ ও এফ এফ কম চীফ ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন অনুরাগ বাজপাইনা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ...মখা লমায় ৬তা...

## লৈমখোং চীংমাংদা শকখঙদবশিংনা নাগাগী য়ুম মৈ থাদোকপীরমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুংচন্না লৈবা লৈমখোং চীংমাংদা ঙরাং চাউরাক্না নুমীদাংগী পুং ১০.১০ রোম তারকপা অদুৱাইদা শকখঙদবশিংনা ষ্টেফেন চৱাং অপোকপা তুঞ্জেনাং চৱাং কৌবা নাগাগী মীওই অমগী য়ুম তুন্না মৈ থারমখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা কোনসাখুল (কোনসারাম) ভিল্লেজ ওঠোরিটিনা অকনবা মওংদা কন্দম তৌরকখিবগা লোয়ননা য়ুম অদুবু মৈ থারল্লিবা অদু য়াম্না নীংথিনা প্লান তৌরবা মতুংদা কে এন এফ (পি) অমদি কে আর এগী কেদরশিংনা তুন্না মৈনা থারমখিবনি হায়না ক্লেম তৌরক্লি। য়ুম মৈ চাকপা অদুদা মরুওইবা দোক্যুমেন্ট, চে চাং পূন্নমক তুন্না চাকখ্রে। চাউরাক্না লুপা লাক্ষ ১০ রোমগী লন থুম অমাঙ অতা থোকখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৬তা...

## বোম পোকখায়হল্লম্বা অমদি নৌনা রিক্রুইট তৌরম্বা ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ কোন্থৌজম এ সিগী এম এল এগী য়ুমদা বোম পোকখায়হল্লম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবা প্রিপাক প্রোগী কাদর য়াওনা পূন্না মীওই ৬ ফারে হায়না পুলিসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

বোম পোকখায়হল্লম্বা অমদি অনৌবা রিক্রুইট তৌবদা চেন্নে হায়না ফারবা মীওইশিং অদুদি উসম রাকেস এলাইজ জেনেরস এলাইজ থৌবা (১৯) অপোকপা উসম প্রকাস লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকাই, য়ুম্নাম অথোইবী চনু (১৯) অপোকপা ৱাই ইন্দ্রজিৎ লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকাই, আর কে দয়াপতি এলাইজ পিঙ্কি এলাইজ কিচেনবী (১৯) অপোকপা আর কে সঞ্জয় তাঙ্খম ...মখা লমায় ৬তা...

## নেকেদ পেরেদ চথুখিবগী আই ৱিটনেসকী মরোল লৌনবা এস সিনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ কুমজা ২০২৩গী ইরাংদা সেক্সচুয়েল ভাইওলেন্স, নেকেদ পেরেদ চৎহনখিবা অমসুং ভিদিও নমখিবা থৌদোকশিংগী মরু ওইবা ভিক্টিম অমসুং ৱিটনেস ওইখিবা মীওই ২ অদুগী ট্রাইয়েল কোর্টতা লাক্তুনা এগজামিনেসন চথনবা সুপ্রিম কোর্টনা সি বি আইদা খঙহনখ্রে।

য়াথং অসি চীফ জষ্টিস সুরিয়াকান্তনা লুচিংবা জষ্টিস জয়মালিয়া ভাকচি অমসুং ভি মোহনগী কেস অসিগী এক্যুজ অনীগী বেল পীবগী মতাংদা পাঙথোকখিবা হিয়ারিং অমদা খঙহনখিবনি। হিয়ারিং অদুদা এক্যুজকী মায়কৈদগী লাকখিবা সেনিয়র এদভোকেট ...মখা লমায় ৬তা...

## ৱার্ক ওর্দর, টেন্দর নোটিস থোক্তনা প্রোজেক্টকী শেনফম কায়থোক্লবা হোৎনরম্লেঃ দি ৱাই এফ

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ পব্লিক হেল্থ এন্দ ইঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টনা ৱার্ক ওর্দর অমদি টেন্দর নোটিস থোক্তনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট ২৩গী অপুনবা শেনফম লুপা ক্রোর ১.২৫ কায়থোক্লবা হোৎনরম্লে হায়না দেমোক্রেটিক য়ুথ ফ্রন্ট (দি ৱাই এফ)কী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দি ৱাই এফকী প্রসিদেন্ট কোন্সম প্রেমজিৎনা হায়, মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট কয়াগী ৱার্ক ওর্দর অমদি টেন্দর নোটিস থোক্তনা পি ঐচ ই দিনা তৌনিংবদা তৌদুনা চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা শেনফম কয়া লোন্না কায়থোক্লবা হোৎনদুনা লৈরে। ...মখা লমায় ৬তা...

## জে এফ দিঃ অকনবা খোঙজংশিং মতম খরা লেপ্লগনি লৈঙাক্কী থবকশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা য়েংগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ এন আর সি অমসুং সেন্সসকী মতাংদা জে এফ দিনা চঙশিল্লিবা এম এল এগী সিগনেচর কেম্পেন মখা তানা চঙশিনবগা লোয়ননা কেম্পেন, মীটিং, ৱাকৎ মীফম্নচিংবা খোঙজং নত্তনা অকনবা খোঙজং শিংদি মতম খরগী ওইনা লেপ্লগনি। অদুবু লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবকশিং মীৎকুপ নাহুম শিংনা য়েংদুনা লৈগনি হায়না কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি সোইবম লৈকাইদা লৈবা সিটিজেন্স ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়, করিগুম্বা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবকশিং মীয়ান্না পেন্নিঙাই ওইদ্রবদি মফম মতম ...মখা লমায় ৬তা...

## প্রোক্সি লান্মী শীজিন্নদুনা টেরোরিজমগী থৌওং চথুহনবা লেপত্রিঃ লূপ ৫

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপ মশেল মরক্তা মুক্নবা মালহনবা থৌদোক অসি তশেংবগীদি প্রোক্সি লান্মী শীজিন্নদুনা টেরোরিজমগী থৌওং চথুহন্দুনা ঙসি ফাওবা থম্বগীনি হায়না লূপ ৫গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমুকো, অমৱোভা, পোইরৈ লৈমরোল, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস অমদি মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমদি খুন্নাই কনবা অপুনবা মৈরা পায়বী লূপ, য়ং ষ্টার সোসিয়েল ক্লবনা শীন্দুনা পাঙলতাবী, কোমসেন, কুরনুং চীং, মহৌ তেরা, নোংঙাং চীং, সেকমাইজিন, তোকপাচীংগী মীয়ামগা লোয়ননা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং খুনৌদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা অমুকোগী সেক্রেটরী লাইশ্রম কৃষ্ণচন্দ্রনা হায়, প্রোক্সি লান্মী শীজিন্নদুনা টেরোরিজমগী ...মখা লমায় ৬তা...

## সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি হায়বা লৈঙাক্কী ফিরেপ হন্দোক্কদবনিঃ য়ু পি এফ

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ ফ্রী মুভমেন্ট য়াদ্রিঙৈ অমদি লান লেপত্রিঙৈ তাঞ্জা অসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি হায়বা লৈঙাক্কী ফিরেপ হন্দোক্কদবনি হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফকী সেক্রেটরি জেনরেল সোইবম অনিল মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্না সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কনি অমসুং মণিপুরগী টুরিজম চাওখৎনবনি হায়বা অসি অফবা খোঙথাং অমনি অদুবু হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী ওইরিবা শক্তম অসি উরগা লৈঙাক্না সঙাই ফেষ্টিভেল ...মখা লমায় ৬তা...

## এস এস য়ু এমগী থৌমীশিংনা কোসেমগী ওফিসতা থোমজিন্দুনা ছো লোনশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এজুকেসন মণিপুর (কোসেম)গী এগজামিনেসন কন্ত্রোল্লরনা চথুরকপা থৌওং য়ানিংদবা উৎতুনা সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম)গী খোইশাওনরবা থৌমীশিংনা কাউন্সিল অসিগী ওফিসতা থোমজিন্দুনা কন্ত্রোল্লর অমদি এগজামিনেসন সেক্সনগী কা ছো লোনশিনখ্রে।

ক্লাস ১১ অমদি ক্লাস ১২কী ক্বেসন শেম্বগী লোন্না থমগদবশিং অতাক অফোংনহনবগী ফিভমদা লাকহনবা অমদি ক্বেসন শেম্বা মীওইশিংবু মশক তাকথোকপগী থৌওং য়ানিংদবা উৎতুনা কাউন্সিলগী এগজামিসেন কন্ত্রোল্লরগী ফম লৌথোক্কদবনি হায়দুনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদা এস এস য়ু এমগী খোইশাওনরবা থৌমীশিংনা বাবুপারাদা লৈবা কোসেমগী ওফিসতা থোমজিন্দুনা কাউন্সিল অসিগী এগজামিনেসন সেক্সন অমদি কন্ত্রোল্লরগী কা ...মখা লমায় ৬তা...

## য়ুনাক্কো স্কুল চনুরাদা কেরিয়র কাউন্সিল্লিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ য়ুনাক্কো স্কুল চনুরানা শীন্দুনা ক্রিয়েটিভ সার্কলগা খুৎশন্নদুনা ঙসি কেরিয়র কাউন্সিল্লিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

কেরিয়র কাউন্সিল্লিং প্রোগ্রাম অদু ক্লাস ১২ পাস তৌরবা মতুংদা হায়র এজুকেসন, কেরিয়র এপোর্চুনিটিজ অমদি তোঙান-তোঙানবা মখলগী কম্পিটিটিভ এগজামশিং মায়োক্নরকপদা মতৌ করন্না থেংনগদবগে হায়বগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা তাকপী তন্বীনবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।



থৌরম অদুদা কেরিয়র কাউন্সিল্লর, সি য়ু ই টি কন্সলটেন্ট অমদি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিদা রিছার্স স্কোলর ওইরিবা এদিসন মোইরাংথেমনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংদা সি ই য়ু টি, সবজেক্ট সলেক্সন, এদমিসন প্রোসিদ্যুর, কোর্সশিং অমদি ...মখা লমায় ৬তা...

## চয়োল অমা চুপ্পা চথুগদবা রাইট টু ইনফোর্মেসন সেলেব্রেসন ২০২৬ হৌদোকখ্রে

# আর টি আই থাবগী চাং হেনগৎহনবা মথৌ তাইঃ দিনেস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) এক্টকী মতাংদা মীয়ামদা এৱার্নেস পীবগা লোয়ননা এক্ট অসিবু মপুং ফানা চৎনহন্দুনা ট্রান্সপরেন্সি, একাউন্টেবিলিটি লৈহনবা অমদি পব্লিক পার্টিসিপেসন হেনগৎহনবা চঙই। আর টি আই থাবগী চাং হেনগৎহনবা মথৌ তাই হায়না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (এ আর / ট্রান্সপোর্ট) আর কে দিনেশনা ফোঙদোকখ্রে।



মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন্না শীন্দুনা চয়োল অমা চুপ্পা চথুগদবা রাইট টু ইনফোর্মেসন ৱিক ২০২৬ ঙসি দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা আর কে দিনেশনা হায়, লাক্লিবা ওক্তোবর ১২ অসিদা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট ২০০৫ চৎনবা হৌখিবগী চহী ২১ মপুং ফারগনি। মরম অসিনা রাইট টু ইনফোর্মেসন ৱিক নুমিৎ ৭নি ওবজর্ভে তৌগদৌরিবনি।

আর টি আই এক্ট অসি সেক্সন ৩১ য়াওবগা লোয়ননা স্কোপ অমদি ওবজেক্টিভ ...মখা লমায় ৬তা...

## কুকিমুন ভিল্লেজদগী য়াল্লবা খূৎলায় ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫ (এস এন এস)ঃ হেংলেপ পি এস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা পূন্না কুকিমুন ভিল্লেজদা চথুখিবা সর্চ ওপরেসন অমদা য়াল্লবা খুৎলায় ফংবা ঙমখ্রে।

কম্বাইন্দ টিম অদুনা ফংবা ঙমখ্রবা খুৎলায়শিং অদুদি ৯ এম এম সি এম জি ২, মেগজিন য়াওনা ৯ এম এম পিষ্টোল ৩, সিঙ্গল বেরোল বোল্ট এক্সন ৭, কাপ্পা য়ারিবা ০.২২ এম এমগী মরু ৫, ইমপ্রোভাইজ মোটার (পোম্পি) ২, ৩৬ নম্বরগী হেন্দগ্রেনেদ ১ অমদি মোটার বোম ১নি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদু কম্বাইন্দ টিম অদুনা হেংলেপ পি এসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

**SBI** State Bank of India
Central Recruitment & Promotion Department
Corporate Centre, Mumbai
Phone: 022-22820427

Scan QR to Apply

**Engagement of Specialist Cadre Officers on Contract Basis**

Applications are invited from eligible Indian citizens for the following posts on Contract basis:

| Name of Post | Vacancy | Age (As on 31.07.2026) Min | Max |
|---|---|---|---|
| **Advertisement No.: CRPD/SCO/2026-27/24 (Contractual Position)** | | | |
| Deputy Vice President (Analytical Marketing & Campaign) | 1 | 33 | 45 |
| Deputy Vice President (Digital Marketing) | 2 | 33 | 45 |
| Content Specialist | 1 | 25 | 40 |
| **Advertisement No.: CRPD/SCO/2026-27/25 (Contractual Position)** | | | |
| Head Sales | 1 | 40 | 52 |
| Central Research Team (Product Lead) | 2 | 30 | 45 |
| Manager (Business Process) | 1 | 30 | 40 |
| Project Development Manager (Technology) | 1 | 25 | 40 |
| Central Operations Team (COT) Support | 1 | 30 | 40 |

For eligibility criteria (age, experience, job profile etc.), vacancy details, requisite fees, other details and for online submission of application as well as online payment of application fees log on to Bank's website https://sbi.bank.in/web/careers/current-openings. Refer detailed advertisement to ensure eligibility and other details before applying and remitting fees. For any query, please write to us through link "CONTACT US" → "Post Your Query" which is available on Bank's official website (https://sbi.bank.in/web/careers/post-your-query)

- DATE FOR FILING ONLINE APPLICATION & PAYMENT OF FEES: FROM 30.09.2026 To 21.10.2026.

Place: Mumbai
Date: 30.09.2026
General Manager (RP & PM)

# মদ্রাজ রেজিমেন্টতগী খূৎলাই হুরানবগী মতাংদা আর্মি পার্সোন্নেল য়াওনা মীওই ৮ ফাখ্রে




হায়দরবাদ, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি): রোব্বরিশিং তৌনবগী থৌরাং গীদমক খূৎলাইশিং লৌনবগী লৌতুনবা অমদা এ কে-২০৩ রাইফল ৪, ইন্সাস রাইফল ১, পিষ্টোল ৬ অমসুং এম্যুনিসন রাউন্দ ১৯০০ রোম তেলঙ্গনাগী আর্মি অর্মোরি অমদগী হুরানখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

বোলারমদা লৈবা মদ্রাজ রেজিমেন্টকী ২০শুবা বটালিয়ানদগী হুরানখিবা অদুগা মরী লৈননা মলকাজগিরি পুলিসনা হৌজিক থবক তৌরিবা অমসুং হান্নগী আর্মি পার্সোন্নেল য়াওনা মখোয়না মীওই ৮ ফারে হায়খ্রে।

হুরাখিবা এম্যুনিসনশিং রিকোভর তৌরে। খূৎলাই হুরানবগী থৌদোক অদু ওগষ্ট ৩১দা খঙলকখিবনি।

পুলিসনা উপুথোলা মলেশ এলাইজ রাজু সেপ্টেম্বর ১১দা ফাখিবা অমসুং টেলঙ্গনাগী নগরকোর্নুল দিষ্ট্রিক্টকী সাইনরগ কোলোনিদা লৈবা মাগী মপাগী য়ূমদা লোৎলম্বা খূৎলাই অমসুং এম্যুনিসন ফংবদগী ইনভেষ্টিগেসন অদু অচৌবা ময়োন অমা লাকখি।

মলেশনা মাগী মখুরাগী মচা মল্লিকার্জুন অমসুং মরুপ নিরঞ্জন হায়রিবা শেল থুমগী খুদোঙচাদবা মায়োক্লরবশিং অদুগা লোয়ননা থৌরাং অদু পায়খৎখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

অহুম অদুনা হুরানবা খূৎলাইশিং অদুনা রোববরিশিং তৌবদা শিজিন্নবা থৌরাং তৌখি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফোঙদোক্লি।

মখোয়গী লৌতুনবা অদু মদ্রাজ রেজিমেন্টতা মলেশকী হান্নগী তিন্নরম্বশিং সেসুলু, বিনেদ কুমার অমসুং প্রবিনসু কোনশিনখি অমসুং আর্মোরি অমসুং মেগজিন অদু ফংবদা তেংবাংখি হায়না পুলিসনা হায়খি। হুরানবা আর্মিগী খূৎলাইশিং অদু লৈনবা য়াখি হায়রিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অবি দে এলাইজ ওবি অমসুং বিরবল সোগা মহেসকা পাউ ফাওনখি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হায়রি।

এম্যুনিসন অদুগী শেনফম পীবদা নৎতনা পিষ্টোলশিংগীদমক লুপা লাক্ষ ৩ অমসুং অশাংবা খূৎলাইশিংগীদমক লুপা লাক্ষ ৫দা হুরানবা খূৎলাইশিং অমসুং এম্যুনিসনগী মমল ওইনা খন্নখি হায়না পুলিসনা হায়খি।

ইনভেষ্টিগেসন অদুদা টেরোরিষ্ট নৎত্রগা এক্সট্রিমিসকা শন্নবা ফঙখিদে হায়না মলকানগিরি কমিস্নার ওফ পুলিস ভি সুমতিনা হায়খি।

# আর বিরমনি কেসকী মতাংদা টি ভি কেগী মথক্তা দি এম কেনা লুপা ক্রোর ১গী দিফেমেসন কেস থাংগৎলগনি





চেন্নাই, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি): গ্রেনাইট বেরোন আর বিরমনিগী পোক্সো কেসকী মতাংদা মরাল শীখিবশিংগী মতাংদা টামিলগা ভেত্রি কঝগম (টি ভি কে) লুচিংবশিংগী মথক্তা লুপা ক্রোর ১গী দিফেমেসন কেস অমা থাঙ্গৎনবা দি এম কেনা মদ্রাজ হায় কোর্টতগী পর্মিসন ফংখ্রে।

টি ভি কে লুচিংবশিং আধব আর্জুনা অমসুং সি টি আইর নির্মল কুমার, লোয়ননা পার্টি অদুগী আই টি ৱিংগী মথক্তা দিফেমেসন প্রোসিদিংস চথনবা মদ্রাজ হায় কোর্টকী জষ্টিস কে গোবিন্দরাজন থিলাকবিনা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি দুরাইমুরুগননা মহুৎ শিনবা দি এম কেদা পার্মিসন পীখ্রে।

দি এম কেগী মমাঙগী গভর্ণমেন্টতা পোক্সো এক্টকী মখাদা রেজিষ্টার তৌবা কেস অমদা বিরমনিবু ঙাকথোকখি হায়না দি এম কেদা টি ভি কে লুচিংবশিং অমসুং পার্টিগী আই টি ৱিং অদুনা মরাল শীখি হায়না দি এম কেগী পেটিসন অদুনা হায়রি।

পুখৎলিবা কেস অদুনা হায়রিবা ৱাকৎ অদুগী মতাংদা লুপা ক্রোর ১গী শেনফম পীনবা তকশিল্লি।

জেম গ্রেনাইটশিংগা লোয়নবা ইন্দষ্ট্রেলিষ্ট অমা ওরিবা বিরমনি অমসুং অতোপ্পা লোয়নবা অনি অকনবা গুন্দাজ এক্টকী মখাদা দিটেন তৌখি।

চহী শুদ্রিবা নুপীমচাশিংদা অকাপপেৎকী থবকশিং চথবগী বিরমনিবু মরাল শীখিবা পোক্সো কেসতা মহাক ফাখি।

টামিল নাদু চীফ মিনিষ্টর বিজয়না হৌখিবা চয়োলদা এম কে ষ্টেলিনবু মমাঙগী দি এম কে মতমদা বিরমনিদা প্রোটেক্সন পীনবা এ আই এ দি এম কেগা লৌতুনখি হায়না মরাল শীখি।

মদুদা এম কে ষ্টেলিননা নহাক্লা টি ভি কে পার্টি হৌখিবা মতুংদগী বি জে পিগী মায়োক্তা করন্না কয়ারক হন্না লেপখি হায়বা খঙই। নহাক্লা প্রোটেষ্ট কয়া তৌখি হায়বা খঙই হায়খি। অদুবু নহাক্লা ঙাংলিবশিং অদু মরিক চুমদে। নহাক টেলিভিজন য়েংলমদবা নৎত্রগা পাউশিং পারমদবায়াই হায়না ষ্টেলিননা হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা বিরমনিগী মায়োক্তা কেস ৪ রেজিষ্টার তৌখ্রে। মদুগী মনুংদগী ৩ পোক্সো এক্টকী মখাদা চথরি অদুগা অতোপ্পা অমনা সুইসাইদ তৌনবা ইনশিনবগা মরী লৈনবনি। পুলিসনা বিরমনিনা চথখিবা চিংননিঙাই ওইবা ফাইনান্সিয়েল ট্রাঞ্জেক্সনশিংসু থিগৎলি। অতোপ্পা লোয়নবা অনি অদু শান্তি অমসুং মহেন্দ্র সিমহননি হায়বা খঙলে। ৩ অদু হান্ননা ফাখ্রবা অমসুং জেলদা লৈখ্রবনি। মখোয় অসি চেন্নাই সিটি পুলিস কমিস্নার এ অলমরাজগী ওর্দরসতা গুন্দাজ এক্টকী মখাদা ফাখিবা মীওই ১৪দা য়াওবনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

# বি জে পিনা য়ু পিদগী লুচিংবা ৮ রাজ্য সভাদা নোমিনেট তৌখ্রে

লক্ষ্ণৌ, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি): বি জে পিনা উত্তর প্রদেশতগী কাণ্ডিশিংগী মরক্তা খল অমা থমদুনা অমসুং ওক্টোবর ১৬তা য়ামদ্রবদা সিট ১গী ইলেক্সন পাঙথোকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ পীরদুনা লাক্লিবা লোক সভা ইলেক্সনগীদমক মীওই ৮গী মিং লাউথোকখ্রে।

লিষ্ট অদুদা য়াওরক্কনি থাজবা হরদীপ সিংহ য়াওরকখিদ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট বি এল বর্মা অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃটি ইরানিগী মমিংশিং লিষ্ট অদুদা য়াওরক্কনি খনবসু য়াওরকখিদ্রে।

ঙসি লাউথোক্লকখিবা কেন্দিদেটশিং অদুদা ষ্টেট মিনিষ্টর ধরমপাল সিংহ, লোয়র রাধাকান্ত ওঝা, ষ্টেট ও বি সি মোর্চা প্রসিদেন্ট প্রকাশ পাল, হান্নগী এম পি বিদ্যাসাগর সোনকা, গোপি কৃষ্ণপান্দে, হান্নগী এম পি প্রিয়াঙ্কা সিংহ রাৱাত, ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি রাম প্রতাব সিংহ চৌহান অমসুং ঝরখন্দগী গভর্ণর সন্তোস গংৱারগী মচানুপী শ্রুতি গংৱার য়াওরি।

ষ্টেট অসিগী সিট ১০ ওক্টোবর ১৬তা ইলেক্সন তৌগনি।

বি জে পিনা সিট ৭ শোয়দনা ফংবগী ফিভম লৈ। কেন্দিদেট ২ হান্ননা লাউথোকখ্রবা সমাজৱাদি পার্টিনা ৩শুবা মীরেপ অমা থাগৎলবা য়াই।

মশীংগী মপালদগী য়ূমফমদা বি জে পি মীরেপ ৮ লোয়নমক মায় পাক্কনি খল্লি। মসিগা মান্ননা সমাজৱাদি পার্টিগী মীরেপ ২ রাম গোপাল যাদব অমসুং ধনরাজ পরিমাল নাতৱারিগীসু শোয়দনা মায় পাক্লিংঙাই লৈ।

বি জে পিগী মীরেপ ৮ অদু লোয়নমক হয়েঙ অয়ুক পুং ১১:৩০দা লক্ষ্ণৌদা মখোয়গী মীরেপচে পীশিল্লগনি। মীরেপ চে পিশিনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথ অমসুং ষ্টেট পার্টি চীফ পনকজ চৌধরি য়াওগনি।

ঙসি লাউথোকখিবা মীরেপ পূন্নমক্তা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়না এক্সতা থাগৎপা পোষ্ট অমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখল অদু ৱাখলদা থল্লগা বি জে পিনা ষ্টেট অদুগী মরুওইবা কাণ্ডিশিং অমসুং কম্যুনিটিশিংগগী মরক্তা খল অমা চান্নহন্নবা শেমখি। পার্টি অসিনা ও পি সি কেটেগোরিদগা মীরেপ ৩, জেনরেলদগী ৩ অমসুং সেদুল কাণ্ডতগী ২ থাগৎখ্রে। লিষ্ট অসিদা ব্রহ্মন ২ অমসুং রাজপুত অমসু য়াওরি।


## ꯃꯤꯡ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛ / NAME CHANGE

I, Monoharmayum Gunananda Sharma son of (L) M. Brajamani Sharma, resident of Uripok Bachaspati Leikai, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur do hereby declare that I have changed my Son's name from Monoharmayum Niranjan Sharma to Monoharmayum Niranjan and henceforth he shall be known as Monoharmayum Niranjan in all purpose, vide Affidavit No. 04AA 300749 sworn before the Notary Public at Imphal on 2nd October, 2026. Monoharmayum Niranjan and Monoharmayum Niranjan Sharma both are same and one identical person.

Sd/-
SL/KK/6 **Monoharmayum Gunananda Sharma**

## ꯃꯤꯡ ꯍꯣꯡꯗꯣꯛ / NAME CHANGE

I, Viso Monoharmayum Ongbi wife of Monoharmayum Gunananda Sharma, resident of Uripok Bachaspati Leikai, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur do hereby declare that I have changed my name from Viso Monoharmayum Ongbi to Monoharmayum Viso and henceforth I shall be known as Monoharmayum Viso in all purpose, vide Affidavit No. 04AA 300748 sworn before the Notary Public at Imphal on 2nd October, 2026. Monoharmayum Viso and Viso Monoharmayum Ongbi both are same and one identical person.

Sd/-
SL/KK/6 **Monoharmayum Viso**


# হৌথিনা পায়শিনখিবা লম অমুক হন্না লৌশিন্নবা য়েমেননা অনৌবা মিলিটরি কেম্পেন হৌরে লাউথোকখ্রে



এদেন, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি): য়েমেনগী লুচিংবনা নোংমাইজিং নুমিৎতা হৌথিজনা পায়বা লম পূন্নমক লৌশিন্নবা অনৌবা মিলিটরি ওপরেসন অমা হৌরে লাউথোকখ্রে। অদুবু হৌজিকসু হৌথিজ গ্রুপ অদুনা গভর্ণমেন্টনা পায়বা সিটি অমা লাঙ্গোয় চন্দুনা থল্লি।

লাউথোকখিবা ৱারোল অদুনা ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা হৌথিজগী অথুবা এটেক অমগী মতুং মালেমগী মরুওইবা ঈশিং লন্বী বাব অল-মনবাব ষ্ট্রেটকী অকোয়বা মফমশিং অমসুং য়েমেনগী রেদ সি তোর্ব্বানগী য়াল্লবা লমশিং হন্দক মাঙজখিবা গভর্ণমেন্ট অমগীদমক অচৌবা পান্দম অমা থল্লি।

হৌথিজনা নোংমাইজিং নুমিৎতসু য়েমেনগী ওইল ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা এটেক তৌখি। মদু ফনা ওইদুনসু রিপব্লিক অসিগী লৈহৌরিবা তেটৈরিটোরিশিং অদু অমুক হন্না লৌশিন্নবা অমসুং লৈবাক অসিগী নেসনেল টেরিটোরি পূন্নমক্তা ষ্টেট অমসুং মসিগী ইনষ্টিট্যুসনশিংগী ওথোরিটি য়ৌহন্নবা ঐহাক্লা মিলিটরি ওপরেসন্স হৌরে হায়না ঙসি লাউথোক্লি হায়না য়েমেনগী প্রসিদেন্সিয়েল কাউন্সিলগী মকোক রাসাদ অল-আলিমিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

লৈবাক অসিবু হৌথি টেরোরিষ্টকী মখূৎতগী নিংতমদ্রিবা ফাওবা অয়াবা পীরিবা থৌরাংশিংগী মতুংদা আর্ম ফোর্স পূন্নমক্তা মখোয়দা পীরিবা মিসনশিং পাঙথোকপা হৌনবা আলিমিনা আপিল তৌখি।

সেক্যুরিটিগী লিখুন ৪গী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টকী মতম খরগী কোনুং এদেনদা লাঙ্গোয় চল্লবা সিটি টাইজগা অনিগী মরক্তা মরুওইরবা সপ্লাই রুট অমা হৌথিজনা ককথৎখিবগী পুং খরগী মতুংদ ষ্টেটমেন্ট অদু থোকখিবনি। হৌজিক মফম অদুদা মখা তানা খূৎ থোক্লরি হায়না মিলিটরি লিখুনশিংনা হায়খি।

ফনয়ান্না চহী কয়ামরুম ইংথনা লৈরুরবা মতুং মিদ্দল ইষ্টকী লান হেন্না পাকথোক চাওথোক্লকখিবগা য়েমেনগী সিভিল ৱার জুলাইদা অমুক হন্না হৌগৎলকখি।

হৌথি মিলিটরি ৱাঙাংলোই য়াহিয়া সারিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা রিয়াধদা লৈবা সাউদি অরাবিয়াগী ইনর্জিগী অচৌবা কম্পেনি অরামকোগী সাইটশিং অমসুং নোংপোক্তা থাও মরাংকায়বা খুরাইজ এরিয়াদা বালিষ্টিক্কী সাইলশিং অমসুং দ্রোনশিংনা এটেক তৌখ্রে হায়খি।

# ইমারন খানগী শৌগৎপশিংনা প্রোটেষ্ট খোঙচৎ হৌখ্রে




ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি): ইমরান খাগী শৌগৎপশিংগী প্রোটেষ্ট দেমোনষ্ট্রেসন তোকহন্নবা ৱারী শান্নবা মায় পাকখিদবগী মতুং হান্নগী পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান জেলদা থল্লিবা অদু প্রোটেষ্ট তৌবা খোঙচৎ অমা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপতা নোংমাইজিংদগী হৌখ্রে।

খানগী পাকিস্তান টেহরিক-ই-ইন্সাফ (পি টি আই) পার্টিনা অহানবদা সেপ্টেম্বর ২৭তা হৌগনি হায়না খোঙচৎ অদু থৌরাং তৌখিবনি অমসুং মদুগী মতুং নোংমাইজিং ফাওবা য়েথোক্লকখিবনি।

পি টি আইনা গভর্ণমেন্ট পায়বা খায়বর পাখতুনখৱা প্রোভিন্সকী লাক্কি মারৱাতা লন্বীশিংদা মীওই লিশিং কয়ানা থোক্লকখিবা অদু এ এফ পি পাউমীনা উৎখি।

দেমোনষ্ট্রেটশিংগী মনুংদগী কয়া অমনা ওপোজিসন পার্টিগী রেদ অমসুং গ্রীনগী ফিরালশিং পায়খি অমসুং ইমরান খান থাদোকউ হায়না ইবা অচৌবা বিলবোর্দ অমা ট্রক অমগী নাকন্দা থেৎলি অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অদুনা মখূৎ ৱাংনা থাঙ্গৎপা পিকচর অমসু য়াওখি।

মসিগী মমাঙদা ভিদিওশিংনা খায়বর পাখতুনখৱাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শৌগৎপশিং থোক্লকখিবা অমসুং লমশাং খোঙচৎ অদুগী কনভোয়শিং লমথাবা অদু পীটি আইগী ওফিসিয়েল সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্টতা উৎখি।

খায়বর পাখতুনখৱাগী চীফ মিনিষ্টর সোহাইল অফ্রিদিনা মসিগী মমাঙদা এক্সতা খান শৌগৎপা দেমোনষ্ট্রেসন চৎলগনি হায়খি।

মীয়ান্না য়ান্না য়ান্নবা হান্নগী ক্রিকেট ষ্টার খানবু ওগষ্ট ২০২৩দগী জেলদা থল্লকখি অমসুং চহী অদুগী মেদা পাক শন্না শন্দোকাপ এন্টি-ইষ্টাব্লিজমেন্ট রাইওতশিংগী মতুং ত্রিজন অমসুং হিংশা থোকনা ইনশিনবগী য়াওনা করপসনদগী হৌনা মরাল কয়ামুক মায়োক্লরি।

চীফ মিনিষ্টর অফ্রিদিনা দেমোনষ্ট্রেসন অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা খায়বর পাখতুনখৱা প্রোভিন্সতগী হৌগনি অমসুং শগোলশেল নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা ইস্লামাবাদকী নোংচুপতা কিলোমিটর ৮০ রোম লাপ্পদা লৈবা খায়রাবাদ য়ৌগনি হায়খি।

# প্লেগতগী রসিয়ান রিছার্চর শিখ্রে, হোস্পিটাল ৫ থিংজিনখ্রে

মোস্কো, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সি): রসিয়াগী অরাপ্পা ইরকুসকা কৌবা সাইবেরিয়ান রিজন অদুদা মশাগী চহী ২৮ শুরবা লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ান অমা প্লেগ লায়না নাবদগী শিখিবা মতুং য়ামদ্রবদা হোস্পিটাল ৫ থিংজিনখ্রে অমসুং মীওই চা কয়া ক্বারেন্টাইন কৌখ্রে।

থৌদোক অদু সেলেখোবতা এন্টি-প্লেগ রিছার্স ইনষ্টিট্যুটতা থোকখিবনি। অকায়বা টেষ্ট ট্যুব অমদগী মতম ঙন্না লায়েংহৌদ্রবদি শিনিংঙাই ওইবা য়ান্না লৌনগনবা ন্যুমোনিক প্লেগ নারকখিবনি।

টেক্নিসিয়ান অদু বারিয়া সিপিলোভা কৌই। লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না টেষ্টিংগীদমক সেম্পলশিং লৌবদা অহিংবা বেক্টরিয়া য়াওবা টেষ্ট ট্যুব অমা মহাক্লা পায়বা শোয়বদগী কায়খি হায়না মহাক্লা মেদিকেল ষ্টাফতা হায়খি।

**সনা-সুদোকু-১০৯৯গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 4 | 8 | 1 | 7 | 2 | 6 | 9 | 5 |
| 6 | 5 | 7 | 9 | 3 | 8 | 1 | 4 | 2 |
| 9 | 1 | 2 | 5 | 6 | 4 | 8 | 7 | 3 |
| 5 | 3 | 4 | 8 | 2 | 9 | 7 | 1 | 6 |
| 8 | 2 | 6 | 7 | 1 | 5 | 9 | 3 | 4 |
| 1 | 7 | 9 | 6 | 4 | 3 | 5 | 2 | 8 |
| 4 | 6 | 1 | 2 | 8 | 7 | 3 | 5 | 9 |
| 7 | 9 | 3 | 4 | 5 | 6 | 2 | 8 | 1 |
| 2 | 8 | 5 | 3 | 9 | 1 | 4 | 6 | 7 |


## MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / NOTIFICATION

*Imphal, the 5th October, 2026.*

No.01/02(05)/2026-LA(E): In partial modification of this Secretariat notification of even number dated 29/09/2026, it is informed to all the candidates who have applied for the posts of Driver, Mali, Sweeper and Multi-Tasking Staff (MTS) in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that the new revised dates for issue of **Admit Cards (Online mode only)** is hereby listed in the table below:

| Particulars | Dates notified earlier | Revised dates |
|---|---|---|
| *Issue of Admit Cards (Online mode only)* | *Midnight (12:00 am) of 20/10/2026 till the midnight (12:00 am) of 24/10/2026* | ***Midnight (12:00 am) of 20/10/2026 till the midnight (12:00 am) of 23/10/2026*** |

The schedules for issue of admit cards (Physical mode) along with the date(s), time and venues for the Written Test, remain unchanged.

**Sd/-**
**G. Tapankumar Sharma**
**Addl. Secretary, (Admn.)**
**Manipur Legislative Assembly**

SL/Ath/6,7,8

## In the Court of The Sub-Deputy Collector Heingang, Imphal East

*Ref. :- Mut. Case No. 366 of SDC/Heing(IE) of 2026*

1) Thaodem Ibomcha Singh S/O Th. Naran Singh of Keikol Makha Leikai.
2) Thaodem Shyamo Singh S/O Th. Nongyai Singh of -do-
3) Thaodem Krishnadas Singh S/O Th. Manitombi Singh of -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

(Late) Thaodem Khomei Singh S/O Angou Singh of Nitakuthi.

***-O. P.***

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

*Heingang, Dated 05/10/2026*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং : 20-নিলকুথিদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ৬৭ অনৌবা পাট্টা নং ৭৯ দাগ নং ৭৪, এরিয়া ০.৪৮৩একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিদা নামা পানবিরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা পল্লগনি।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

SL/Jeena/06

## IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, BISHNUPUR, MANIPUR

**ORIGINAL SUIT (GUARDIAN) CASE NO. 2 OF 2025**

**Keisham Piyokumar Meitei**

**……Petitioner**

**-VERSUS-**

1. Smt. Keisham Ongbi Sinam Ningol Ibecha Devi, aged about 48 years, D/O Sinam Amuba Singh and W/O Keisham Herachandra Singh, now residing at Ngaikhong Shiphai Mamang Leikai, P.O. & P.S.- Bishnupur, Bishnupur District, Manipur-795126.
2. Shri. Keisham Manisana Singh, aged about 45 years, S/O Late K. Yaima Singh, a resident of Bishnupur Ward No. 5, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur-795126.
3. Smt. Keisham Ningol Meipakpi Devi, aged about 55 years, D/O Late K. Yaima Singh, a resident of Bishnupur Ward No. 5, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur-795126 and
4. Smt. Keisham Ningol Dhanapati Devi, aged about 47 years, D/O Late K. Yaima Singh, a resident of Bishnupur Ward No. 5, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur-795126.

**……Respondents**

**SUMMONS NOTICE**

To,
**All the Respondents.**

WHEREAS the above-named Petitioner has filed the above-mentioned Original Suit (Guardian) Case before this Court in respect of the guardianship matter stated in the plaint, it is hereby summoned that you appear before this Court on the 9th day of October, 2026 at 10:30 a.m. either in person or by the pleader duly instructed and able to answer the claim and file written objection, if any, and produce all documents in your power and possession upon which you intend to rely in support of your defence.

Take notice that in default of your appearance before this Court on the aforesaid date and time the suit will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the Order of this Court this the 18th day of September, 2026.

Sd/-
**Sr. Sheristadar,**
**District & Sessions Court, Bishnupur, Manipur**

SL/Sush/6,7

## CORRIGENDUM

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 644/SDC/IW(C)-I of 2026 , dt, 15/09/2026

1) Takhelchangbam Sanahal Devi W/O Aribam Bimolkumar Sharma of Thangmeiband Yumnam Leikai.
2) Aribam Ibetombi Devi W/O Aribam Kala Sharma of Naoramthong Samushang Leikai.
3) Aribam Ambrabati Devi W/O Khamnan Okendrajit Singh of Sagolband Khamanam Leirak
4) Aribam Chandrakumar Sharma S/O Aribam Deven Sharma of Sagolband Meinao Leirak . -Petitioner

-Vs-

(Late) Aribam Ibochouba Sharma S/O (L) Aribam Khamba Sharma of Sagolband Maisnam Leikai. O.P. (s)

ꯈꯪꯍꯟꯕ **/ NOTICE**

Lamphel, the 16/09/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Aribam Ibochouba Sharma গী মিংদা লৈবা Imphal West তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband, অরিবা পাট্টা নম্বর 471(O) অনৌবা পট্টা নং 103(N) দাগ নং 15048 অমসুং এরিয়া 0.0443 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

*RP*

## In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 425 of SDC(IE)/P of 2026*

1) Mutum Parisbala Devi D/O (L) Mutum Panchanan Singh W/O (L) Maisnam Biren Singh of Kongpal Ningthoubung Leikai.
2) Mutum (O) Soraisam Shakhila Devi W/O Mutum Madangopal Singh of Khurai Kongpal Ningthoubung Leikai.
3) Mutum Purander Singh S/O (L) Mutum Ibemhal Devi of Kongpal Ningthoubung Leikai.

***- Petitioners***

***-Verses-***

Late Mutum Ibemhal Devi W/O (L) Panchanan Singh of Kongpal Ningthoubung . ***-O. P.***

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

*Porompat,the 05th Oct,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 19-Ningthoubung গী Patta No. 41 (অরিবা), 85 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 11 and 16 measuring an area 0.37197 acre of Inghol/ Anganphou Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

***Sd/-***
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat Imphal East, Manipur

*SL/Nanda/06*

## OFFICE OF THE THOUBAL MUNICIPAL COUNCIL THOUBAL, MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/ খংহনজবা

*Thoubal, 5th October, 2026*

No. 3/TMC/NP/2024-*72* চেরোল অসিনা খংহনজরি মদুদি Shri, Moirangthem Nganthoiba Meitei, লৈফম Thoubal Okram দা লৈবা মীওই অসিগী মমিংদা লৈবা Municipal Shop No. SG1-11 (FF) RCC Shopping Complex Thoubal Bazar অসি Smt. Yengkokpam Monica Chanu D/O Y. Rajeshwor Singh লৈফম Charangpat Mamang Leikai, PO & PS Thoubal দা লৈবা মীওই অসিদা মীং ওনজরগে হায়না application থারক্লে।

কনাগুম্বনা অয়েৎপা পিনিংলবদি মখাদা সহি তৌরিবা অসিদা অইবা চেরোল নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা পিশিনবা য়াগনি। মখা তাবা ৱাকৎ লৌজরোই। লোয়ননা মীং ওনখ্রগনি।

Sd/-
Revenue officer,
Thoubal Municipal Council, Thoubal.

SL/Nute/06

## OFFICE OF THE THOUBAL MUNICIPAL COUNCIL THOUBAL, MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/ খংহনজবা

*Thoubal, 5th October, 2026*

No. 3/TMC/NP/2024-*73* চেরোল অসিনা খংহনজরি মদুদি Smt, Chingtham Sana Devi W/O Ch. Nanda Singh, লৈফম Thoubal Awang Leikai দা লৈবা মীওই অসিগী মমিংদা লৈবা Women Vendor, Licence No. 529/ Cloths/2020, Seat No. 06, Plot No. N-2 (GF), Trade Crade Seller, Thoubal Ima Keithel অসি Smt. Yumnam Ongbi Thoibi Devi W/O Y. Sanayaima Singh লৈফম Thoubal Kiyam Awang Leikai, PO & PS Thoubal দা লৈবা মীওই অসিদা মীং ওনজরগে হায়না application থারক্লে।

কনাগুম্বনা অয়েৎপা পিনিংলবদি মখাদা সহি তৌরিবা অসিদা অইবা চেরোল নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা পিশিনবা য়াগনি। মখা তাবা ৱাকৎ লৌজরোই। লোয়ননা মীং ওনখ্রগনি।

Sd/-
Revenue officer,
Thoubal Municipal Council, Thoubal.

SL/Nute/06

